# ইশাগী ইরমদা কৈথেল শঙ্গাবনি, অয়েৎ-অপন পীবীগনু : কোফম মরিং
# খাংসিম কৈথেলগী থৌদোক লাইবক থীবনি : অংশেম তোন্তাঙা

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস) :

লমগী চয়েৎনবা মানবা মওংদা কৈথেল শঙ্গাবদা অথিংবা পীরিবসি লাইবক থীবনি। কৈথেল অসি ইশাগী ইরমদা শারগা শঙ্গাবনি। মসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎ-অপন পীবীগনু হায়না লাইচিং এক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কোফম মরিংনা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লাইচিং কাংশং খুলগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা কোফম মরিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খাংশিম ভিলেজ হায়বসি লাইচিং হায়রিবা খুল অসিগী লম ওইদুনা লাকখিবনি। মফম অসিদা লাইচিং খুলগী চফু শাবা মীওইশিংনা চফু শাফম ওইদুনা লৈরমখিবনি হায়দুনা খাংশিম হায়না থোনখিবনি। কুমজা ১৮২২, ১৯১৮ অমদি ১৯৬০দসু মতম মতমদুগী বৃটিশনা পাল্লিঙৈ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মতমদা লাইচিংশিংগী লমনি হায়না থেঙ্খাং কয়ারক্তা পীরমখিবগী চপ চাবা রিপোর্টসু লৈরি। মসিদসু নত্তনা হায়রিবা মফম অসিদা ১৯৭২দা কৈথেল শাদুনা ফম্লম্লবা মফম অমনি। মতম অদুদগী মতম খরা লেপ্পুরবা তুংদা নৌনা অমুক হন্না চাউখৎলকপগী মতুংইন্না কৈথেল শঙ অসি শাদুনা চীংমী-তম্মী খায়দনা ফম্মিন্নবা য়ানবা ঙরাং অসি শঙ্গাবনি হায়খি।

খাংশিম খুলগী মীওই খরনা মপু নত্তনা মপু শাদুনা ঙরাং কৈথেল শঙ্গাবদা অথিংবা পীরকখিবা অমদি কৈথেল শঙ্গাবগী পোষ্টর শেগায়রমখিবা অদু লাইবক থীবনি। লম অসি মখোয়গী অশেংবনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি হন দক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা সর্ভে তৌরকপদা খোইবুনা অচুম্বা চে-চাং পীবা ঙমদবদগী লাইচিংগী মীয়াম্না পীদুনা খাংশিম ভিলেজ অসি কনখিবা অসিনি। মরম অসিনা ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন অদু থাদোক্তুনা নুংশিননা হিংমিন্নসি। কৈথেল অসি শঙ্গাবদা মখা তানা অয়েৎ-অপন পীগুমসি। করিগুম্বা কৈথেল অসি শঙ্গাবদা মখা তানা অয়েৎ-অপন পীরক্লবদি মদুগী তেকচাক পুন্বা খাংশিম খুলনা পুজগদবনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং লাইচিং খুলগী কাঙবুনা মফম অদুদা কৈথেল শঙ্গাবা লাকপদা খাংশিমগী কাঙবুনা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা পীবা অমদি পোষ্টর শেগায়খি হায়বগী ৱাহৌদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লদুনা অশোক-অপন য়াওনখিবা লৈখিবগা লোয়নননা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দি সী তেংনৌপল মন্নু অমচিং (আই এ এস)না থোকখিবা য়াথং অমদা মফম অসিদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ চলাইদুনা মী মঙা নৎত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা অমদি মী শিবা অমদি শোকপা য়াবা খুৎশু-খুৎলায় পুদুনা চৎপদসু অথিংবা থমখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা খাংশিম কৈথেল থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ১১ অমদি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তারকপা মতমদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদু থোকহন্নিংদবা লাইবক থীবা থৌদোক অমনি হায়না খাংশিম ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন অংশেম তোন্তাঙা অমসুং সেক্রেটরি মিলন খালিংনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, দ লাইচিং এক্সন কম্মিটি কৌবা লূপ অমগী মীওইশিংনা নুমীৎ অদুদা খাংশিম ভিলেজদা লাক্তুনা খাংশিম ভিলেজ ওথোরিটিনা হান্না শাদুনা লৈরবা খাংশিম ভিলেজগী কৈথেলদা মখোয়গী কৈথেল শঙ্গাগনি হায়দুনা হোৎনরকপদগী খাংশিম খুলগী নুপীশিংনা থিংনবা হোৎনখিবনি। মদুদা দ লাইচিং এক্সন কম্মিটিগী মীওইশিং অদুনা ফুরম্বদগী খাংশিম ভিলেজ ওথোরিটিগী মেম্বর অনী অমদি খাংশিম ৱিমেন সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অমসুং খুঞ্জা অহুম অশোক-অপন নংখি। খুলগী চীফকী মচানুপা অমবুসু মীওইশিং অদুনা ফাদুনা পুখিবদগী তেংনৌপল অমসুং ককচিং পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা নমদুনা নুমীৎ অদুমক্কী নুমীদাং পুং ১১ রোম তারকপদা অশোয়-অঙাম অমত্তা য়াওদনা কনবা ঙমহৌখিবনি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, খাংশিম ভিলেজ অসি কুমজা ১৯৭৪গী দিসেম্বর ৬তা মতম অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার (টি পি এল) চাদে দলনা মশক খঙবা খুল অমা ওইখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৮১গী দিসেম্বর ২৯দা লাইচিং খুল্লেনগী চীফনা খঙনা অমসুং থৌজাল পীদুনা অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংগী নিংথৌশিং অমদি লুচিংবশিং য়াওদুনা খুল অসিগী অহানবা চীফ মনফোম খালিংবু খুল পুবগী থবক লৌহনখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপল অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা নাকল অনীগী মরক্তা তংদু-লৈতাবা, ঈং-তপ্পা অমসুং তুং কোয়বা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# থানিলগী অহিংদা

লৌশিং পুক্কে

## অঙাংশিং তূম্বগী চাং হন্থহল্লি



থা-গী খোঙচৎনা মীওইবা, মরুওইনা অঙাংগী তূম্বদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়বা হন্দক্তা থিজিনবদগী খঙলে।

কেনাদাদা লৈবা চিলদ্রেন’স হোস্পিটাল ওফ ইষ্টর্ন ওন্টারিও রিছার্চ ইনষ্টিট্যুটনা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১২ দা লৈবা অঙাংশিংদা ষ্টদি অমা চৎখি। ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কেনাদা, চাইনা, কলম্বিয়া, ফিনলেন্দ, কেনিয়া, পোর্টুগাল, সাউথ অফ্রিকা, ইন্দিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা মশাগী চহী ৯ দগীনা ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৫,৮০০ না তূম্বগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী।

এসেলরোমিটর কৌবা খুৎলায় অমা শীজিন্নরগা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা অঙাংশিংগী মওং-মতৌ অমসুং তূম্বগী ফীভম কুপ্না য়েংশিনখি। নুমীৎ খুদিংগী অঙাংশিংনা হকচাং লেঙ-ওৎপা অমসুং তূম্বগী মতাংদা থোইদোকপা খেন্নবা লৈত্রবসু থানিলগী অহিংদদি তূম্বগী চাং মিনিট ৫ রোম হন্থে হায়বা খঙলকখি।

‘লাইভ সাইন্স’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিছার্চরশিংনা হায়খি, অতে নুমীৎশিংগা য়েংনবদা অঙাংশিংনা থানিলগী অহিংদা তূম্বগী মতম চাদা ১ গী চাংদা হন্থে। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু থানিলগী অহিংদা কা-হেন্না ঙানবা মরম্না তূম্বদা অকায়বা থোকহনবা ওইরমগদ্রা হায়না থাজনরি। ৱাফম অসি অতোপ্পা রিছার্চর খরনদি য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

‘ফ্রন্টিয়রস ইন পেদিয়াটিক্স’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি থা-গী খোঙচৎনা মীওইবদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়রি। মতম অমদা মীওইবনা শুরুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা থৌওং অসি অদুম্মক থেংনদুনা লাক্লবনি। মসিদা থা-গী মঙাল নৎত্রগনা গ্রেভিটিগা থোইদোকপা মরী লৈনদে। হকচাংগী ওইবা বাইওলোজিকেল ক্লোক (সর্কাদিয়ন রিদম) না থোকহনবনি হায়রি।

থাবল ফবা অহিংদা তূম্বা য়াদবগী থৌওং অসি ৱারেং-শৈরেং অমদি ঈশৈ কয়াদসু শৈথানরি। সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না মীওই খুদিংমক্কী হকচাং মনুংদা বাইওলোজিকেল ক্লোক অমা জিনদা য়াওই হায়রি। সর্কাদিয়ন রিদম নৎত্রগনা সর্কালুনর ক্লোক হায়নসু খঙনবা বাইওলোজিকেল ক্লোক অসিগী মতুংইন্না মীওইবদা চাক লাম্বা, তূম্নিংবা অমদি খোঙ হাম্নিংবনচিংবা পুন্নমক ফাওহল্লকই।

স্বিটজরলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বাসেলগী ডা. সিলভিয়া ফ্রেনা হায়খি, মীওইবগী ব্রেনদা মরুওইনা হাইপোথেলামসতা য়াওবা সর্কালুনর ক্লোক্কী খোঙচৎ মতুংইন্না হকচাংদা অহোংবা কয়া থোকহল্লকপনি।

মীওইবা ৩৩ না তূম্বগী মতাংদা কুপ্না থিজিল্লগা করেন্ট বাইওলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থানিলগী অহিংদা তূম্বগা মরী লৈনবা ব্রেনগী মথৌ চাদা ৩০ রোম হন্থরকই। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা তূমথনবা হোৎনবদা হান্নগী চাংদগী মিনিট ৫ রোম হেন্না চঙলম্মী। তূম্বগী মতমসু অতে নুমীৎশিংদগী মিনিট ২০ লোম তেল্লম্মী। থাবল ফবা অহিংদা মেলাটোনিন কৌবা হোর্মোন মখল অমগী চাং হন্থরকই। হায়রিবা হোর্মোন অসিনা মীওইবগী তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী থৌওংশিং রেগ্যুলেট তৌবনি। মরম অদুনা হোর্মোন অসিগী চাং হন্থরকপা মতমদা পাক হেক তূমথবা য়াদে।

থাবলগী মঙালনা মীওইবগী ফর্টিলিটি ফিনুংগী হকচাং অমদি ৱাখল খনবগী মওংদসু চাউনা অহোংবা থোকহল্লি। মরম অদুনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা থানিলগী অহিংদা ঙমজবা খরা কৎলগা থা-দা খুরুমদুনা পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনবা হোৎনৈ হায়রি।

থা-গী খোঙচৎনা মীওইবগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়বসি মমাঙঙৈদগী শোন্নদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু থা পানখৎলকপা নৎত্রগা শিথরকপদা পূক্নিং-ৱাখল অমসুং তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা অহোংবা থোকহল্লকই। অদুনবু থাশি-থানৌ হৌবা হায়নবা অমা লৈরিবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ৬শুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা মনিকান্তনা কোন্সা খুলদা উ চারা থাখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী বোট্রনি দিপার্টমেন্টকী তরুকশুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা ঙসি লৈবাক মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না শকখঙলবা সোলো ৱার্কর মনিকান্ত মুতুমগা লোয়ননা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোন্সা খুল ভিলেজদা উ চারা পাম্বীশিং থাখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, লিলোং চজিং করামদা লৈবা সোলো ৱার্কর মনিকান্ত মুতুমনা হৌখিবা চহীদা ৱি ফোর য়ু ফাউন্দেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা লংথবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা লমথাদুনা মণিপুরদগী অসাম ফাওবা খোঙনা চৎতুনা নো টু দ্রগস এন্দ অৱার গ্রীন ৱর্ল্ডগী পাউজেল পুদুনা উ পাম্বী ১০০০ হেন্না থাখিবদা নত্তনা খোঙচৎ অদুদা থারমখিবা উ পাম্বীশিং অদুবু হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রবরা হায়বগী সর্ভেসু হৌজিক হৌজিক চৎলিবনি। মনিকান্ত মুতুমগী অসিগুম্লবা মহৌশাগী খলবু ঙাক্তুনা থম্নবগী পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিবু লৈবাক মীয়াম্না খঙবীরদুনা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ অনী ফংখিবগা লোয়ননা মণিপুর মীতৈ নোংশাগী মিংথোল ফংখ্রবা নহা অমনি। লোয়ননা হন্দক চহী অসিদা মহাকপু নেসনল এপ্রিসিয়েট সর্টিফিকেট পীদুনসু ঈকায়খুম্নবা পীখিবা লৈখ্রবনি।

# পোরোমেশ্বরবু ষ্টেট প্রসিদেন্ট খল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

নেসনেলিষ্ট নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসনগী সেলুট টিরঙ্গাগী য়ুথ মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা পোরোমেশ্বরবু খল্লে হায়না সেলুট তিরঙ্গাগী ফাউন্দর এন্দ নেসনল প্রসিদেন্ট রাজেশ ঝানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সেলুট তিরঙ্গানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা পায়খৎলিবা মরুওইবা থবক থৌরমশিং অমদি চেলেঞ্জিং রোলশিংদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌরকপা ওইরসনু হায়বগী য়াইফ-পাউজেলসু সেলুট তিরঙ্গাগী ফাউন্দর এন্দ নেসনল প্রসিদেন্ট রাজেশ ঝাগী চেরোলদুনা পীরক্লি।

# সিটি কনভেন্সনদা ফুদ প্রোসেসিং এপোর্চ্যুনিটিজ ইন মণিপুর হায়বা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

এসোসিএটেদ চেম্বর্স ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি ওফ ইন্দিয়াগা মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ প্রোসেস ইন্দষ্ট্রিজ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ফুদ প্রোসেসিং এপোর্চ্যুনিটিজ ইন মণিপুর হায়বা ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অখন্নবা মীথুং ওইনা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, এ এস এস ও সী ঐচ এ এম এগ্রিকলচর কাউন্সীলগী চ্যেরমেন রঞ্জন দি সেন, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেদ ৱাই রোবিতা, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী কোলেজ ওফ ফুদ টেক্নোলোজিগী দিন ডা. এন জয়কুমার, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংসু শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপকী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা, ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিনা ঐখোয়গী সোসিও ইকনমি ষ্টেটসতা য়াম্না চাউনা মতেং পাংই। ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংগা খোঙজেল হেন্না য়াংখৎলক্তুনা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরক্লি। লাক্কদৌরিবা চহী ২০২৫ ফাওবদা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি অসি চাউরাক্না ফিফটি থৌজন ক্রোর য়ৌবা য়ানা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদসু হায়রিবা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি অসি চাউখৎহন্দুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী পর কেপিটা ইনকম হেনগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈরিবা মহৌশাগী খল অসিগা য়েংনরুরবদি ফুদ প্রোসেসিংগী থবক অসি য়াম্না চান্নবা মফম অমনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থবক তৌনিংবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংনা মাঙ থানা থোরক্তুনা থবক পায়খৎপীয়ু। মদুদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংগনি। থবক অসি পায়খৎনবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদসু তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিম কয়া লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী কুমজা ২০২২-২৫গী নৌনা থৌ পুগদবা ওফিস বিয়াররশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস):

ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী কুমজা ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবা নৌনা থৌ পুরগদবা ফোরম অসিগী ওফিস বিয়াররশিং ফোরম অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখল অমগী থৌরমদা খনখ্রে হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ইলেক্সন কম্মিটিগী রিটর্নিং ওফিসর এন জি ঘনশ্যামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ফোরম অসিগী নৌনা থৌ পুননবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি চ্যেরমেনদা লাইময়ুমদা সুর্জকান্ত শর্ম্মা, ভাইস চ্যেরমেনদা নিংথৌজম জয়বিদ্যা অমদি ৱাইখোম গোজেন মৈতৈনি। জেনরেল সেক্রেটরিদা ওইনাম গৌতম, জে ইন্ট সেক্রেটরিদা এস ঐচ প্রেমচন্দ্র শর্ম্মা, য়ুম্নাম ইমো অমদি চনম ইনাওবীনি। ট্রেজররদা ও সী মৈরা অমদি সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসনদা আর কে সান্তিকুমারনচিংববু খনখিবনি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা লমদম অসিদা শাফোঙলকখিবা মতমদগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরী ফিল্মবু চাউখৎনবা হোৎনবগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

# ‘জিরিদা মীতোপ চঙলকপদা আই এল পিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎলি’

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস) :

জিরিবামদা চঙলকপা মীতোপশিং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি)গী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না আই এল পি পাস ইস্যু তৌরি অমদি আই এল পিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎলি হায়না জিরিবামগী ও সী, ঐচ দেবেনকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জিরিবামদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা আই এল পিগী কাউন্টর অনীগী মনুংদা রেলৱে ষ্টেসনদা লৈরিবা কাউন্টর অসি খুদোংচাদবা খরা লৈবা মরম্না হৌজিক হৌজিকমক্কী ওইনা মথৌ তৌদনা লৈবনি। জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা লাকপা ট্রেন অসি নুমীৎ খূদিংগী ওইনা সর্ভিস লৈতে। করিগুম্বা জিরিবাম তম্না লাক্কদবা ট্রেনশিং লৈরবদি ঐখোয়না রেলৱে ষ্টেসনগী মাষ্টরগা তান্নরগা অতোপ্পা মফম মপান্দগী লাকপশিং অদু পুলিসকী টিম অমা থাদুনা য়েংশিল্লি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, জিরিবামদা লাক্কদৌরিবা ট্রেনদা তোংলকপা মপানগী মীওইশিং অদু পুলিসকী টিম অমা থাদুনা জিরিবামগী থোংদা হাংদুনা লৈরিবা আই এল পিগী কাউন্টরদা পাস ককহল্লগা অমদি আই এল পিগী চৎন-কাঙলোনশিং অদুবু চপ চানা ঙাকহল্লগা চঙহল্লি হায়নসু মহাক্না পাউগী মীফম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লমদম অসিগী জিরিবাম ফাওবদা ট্রেন য়ৌশিল্লকখিবা মতমদা হান্নদগী হৌনা মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী মশীং হেন্না লৈরিবা অসিদা অমুক্কা হেন্না চঙশিল্লক্তুনা ঈশিং-ঈচাউগুম লাক্তুনা য়েলহৌমীশিং মাঙখিগদ্রা হায়বগী মীপায়নদুনা লাকখিবনি। ইম্ফাল য়ৌরক্লগনা কমদৌগনি হায়বা মীয়াম্না মীপায়নরিবনি।

# নেসনল হায়ৱে ১০২ রোদ এক্সপান্সনগী মতাংদা ৩৪-ভিলেজ এফেক্টেদ পাট্টাদারশিংনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ১২দা দি সী থৌবালনা থোক্লককখিবা নোটিশ অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নোটিফিকেসন অমসুং এক্সত্রা ওর্দিনরি গেজেট অমদি সব-সেক্সন (১) ওফ সেক্সন ৩এ, নেসনল হায়ৱেজ এক্ট ১৯৫৬কী মখাদা লেন্দ এক্যের তৌরগনি হায়রগা পাউচে খরদা হাপ্লকখি। এক্ট অসিবু থবক ওইনা তৌবীরবদি য়ারে হায়দুনা ৩৪-লমদিংগী পাট্টাদারশিংনা য়েৎপা লৈখিদে। মদুগী মতুং ৱাফম কয়া খন্নরবা মতুং ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী পাউখুম লাক্লগা, পাট্টাদারশিংবু দি সীনা কৌরক্লগা প্রোসেস লোইশিল্লগনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈনবনি। লাইবক থীবদি চৈরক অসিদা এন ঐচ আই দি সী এলনা লম্বী শেমজিল্লকপসিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ৩৪-লমদিং এফেক্টেদ পাট্টাদার কম্মিটি থৌবালগী সেক্রেটরি এল সোনামনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হায়রিবা এক্ট অসিদা য়াওরিবা সেক্সনশিং অদুগী মতুংইন্না দি সী থৌবালনা সেক্সন ৩এদগী প্রোসেস হৌরকপদুনা ৩ জি য়ৌরে। লোয়ননা কুমজা ২০২১গী ওক্টোবর ১০দা থোক্লককখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না চহী অসিমক্কী ওক্টোবর ১৮দা দি সী কনফরেন্স হোলদা দিস্প্যুটেদ এফেক্টেদ এরিয়া, দিটর্মিনেসন ওফ লেন্দ ভেল্যুগী মতাংদা দি সী থৌবালগা লোয়ননা য়াম্না থৱায় য়াওনা খন্নখি। দিস্প্যুটেদ এরিয়া সর্ভেগীদমক এস দি ও থৌবাল, এস দি সী খোংজোমগী ষ্টাফ অমদি এন ঐচ আই দি সী এলগী পর্সনেলশিং য়াওনা পাঙথোকখি। রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা লম মপু ওইরবসু এন ঐচ আই দি সী এলনা হাথু হাথু লোইশিল্লগা পাট্টাদারশিংগী সাইন লৌদনা অদুম্মক চৎখ্রে। সর্ভেদা ওইখিবা ফীভম অদু দি সীগী লেভেল য়ৌহনবীগনি খঞ্জে। লোয়ননা দিটর্মিনেসন ওফ লেন্দ ভেল্যুগীদমক্তদি সব-রেজিষ্টর ওফিসতগী চহী অহুম হায়বদি ২০১৮, ২০১৯ অমদি ২০২০গী রেকোর্দতা য়ুম্ফম ওইরগা লেপকদবনি। ২০২০দি রেজিষ্ট্রেসন থিংবনা ২০১৮ অমদি ২০১৯ খক্তা ঙাইবনা মপুং ফাদ্রে। চহী ২দুদগী ফংলিবদুসু সেমিলর টাইপ ওফ লেন্দ ওইদ্রে। গভর্ণমেন্টতা ফ্লোর প্রাইস লেপ্পবা গভর্ণমেন্টতা থাখিবা তাখি। গভর্ণমেন্টতগী পাউখুম লাক্লগা অমদি পাট্টাদারশিংবু দি সীনা কৌবীরক্লগা প্রোসেস লোইশিল্লগনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈনবনি। অদুবু লাইবক থীবদি এন ঐচ আই দি সী এলনা লম্বী শেমজিল্লকপা অসিদা দিস্প্যুটেদ এরিয়াসু য়াওখ্রে। পাট্টাদারশিংনা য়েৎপদি নত্তে, অদুবু দ্রেন থম্লমদবনা দুকান মনুংদা, ইমুংদা, মেন মার্কেটকী বিল্ডিং মনুংদা ঈশিং তুংশিনবনা কৈথেল ফম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরে। লোয়ননা লম্বী অসিগী মতায়দা লৈরিবা ইমুংগী অঙাংশিংদা হেল্থকী প্রোব্লেমদা চাউনা কায়রক্কদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, আই ভি আর হাইজিনফমদা ৱাংখৎনা লৈবনা খুদোংচাদবা, লমদিং পি ঐচ সী, হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুলগী আই ভি আর রোদ ওপনিং পীবীদবগা লোয়ননা দ্রেন সড়ক্কী মতুংইন্না হাপ্পনা কৈথেল এরিয়াগী ইমুংশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা মায়োক্লগদবা অৱাবা অদু উবীদুনা অথুবা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ৩৪-লমদিং এফেক্টেদ পাট্টাদারস কম্মিটি থৌবালগী সেক্রেটরিনা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৫।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
অয়ুক পুং ১০.৫৫ ফাওবা কালেনগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৭ নি পাল্লনি।

**মেষ:** অরিবা শেল থুম অমদি অফবা মীংচৎ ফংবা নুমিৎনি। তুংগী পোরম য়াৎপা অমদি মী শুন্নবা ঙাঙবা শকপসু হৈগনি। ফিংবা/শাওবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**বৃষ:** লম চৎপদি হুরানবনা তাথিবা অমদি মীতোপ থাজবা য়াদবা নুমিৎনি। শেন্দোং তানবা অমদি অচুম্বনা মাঙওইনদুনা পাঙবা থবক খুদিংদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা পুক্নিং চংবা য়াগনি, থাজদবা মফমদগী কান্নবা ফংজগনি, লম চৎপা মহৈ য়ানগনি। নক্লবনা কোক শাহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** অফবা মীংচৎ ফংগনি, নচা-ননাইগী য়াইফবা অমদি থৌনা ফুদোক্না থৌপাঙবনা কান্নগনি। অনম তানবদি কায়নগনি, হোয়া ফবনা মীপাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈউ-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** য়েৎনবনা মাঙজবা, হন্থবা লোয়নবনা ফত্তবা থবক পাঙনিংবা অমদি নথক থোংবনা তাথিবা লৈগনি। শেল-থুম অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবসু ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** নীংবা খ্বায়দগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। ললোন ইতিক্তা চাওনা মায় পাক্কনি, ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংগী মতেংসু কান্নবা নুমিৎনি। মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** অঙম্বগা মুক্নবদি মাঙজগনি, শকচু থোকপা ৱাৎকনি-নোল্লুক্না চৎপা ফৈ। অনিংবা থবক পাঙগনি, থৌনা ফুদোকপা ঙসিসু মতাং চায়, অনৌবা আশা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** পল্লম্বা শেলথুম অমদি অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইজবা লৈ। তুংগী থৌরম য়াৎথোকপা অমদি ঙাংশকপা হৈ। চরাংনবা অমদি অশাওবনদি মীপাইহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈউ
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** খাঙবা কনবা অমদি নক্লবা মীশিংগী মতেংনা নুংঙাইজবা ফংগনি। য়েক্লবা হন্থখিনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা লাকই। মহু চাওবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** শেন্দোং তানবা থবক্তা মায় পাকচবা, অনৌবা অশা লাকপা অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবা, মীয়াম্না চানবীবা নুমিৎনি। অরুবা ৱারেপ লৌবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কুম্ভ:** তপথবা ঈংথবনা য়াইফবা ওইগনি। অনম তানবা অমদি ফিংবনা নচাক নরল মাঙহন্নবগী মরম ওই। অফা অপুন্নবসু লৈ-খাংবা কল্লু, থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইয়ু-তহাগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** নীংবা মপা চাবা, ৱাখল থোকপা, মীনা থাগৎপিবা নুমিৎনি। লাংতক্লবনা মাঙজবা, নথক থোংবনা শাওহনবদি লৈগনি-ফিংগনু। খন্থদনা অরুবা থৌ পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।